# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 50, Issue No. 313 | ইরাই, লমতাগী হুম্নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, February 20, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা মীতৈ অমসুং কুকিগী আই দি পিশিংগী ৱাকৎ অমুক্তদা পূন্না তাখ্রে

# মোরেদগী আই দি পি নুপী অমনা কপ্তুনা ময়ূমদা হঞ্জিনহনবীয়ু হায়জখ্রে

# চীফ মিনিষ্টরনা 'ইতৈমগী পি লেম্না মাঙহল্লোই' হায়বগী থাজবা পীখ্রে

### চীফ মিনিষ্টরনা চূড়াচান্দপুরগী আই দি পিশিংগা ৱারী শানবদা এম এল এ খৌতে, লেটজামাং অমসুং পাওলিয়নলালসু শরুক য়ারকখি, কাংপোকপীদগীনা দেপ্যুটি সী এম নেমচা কিপগেনসু শরুক য়ারকখি

### আই দি পি অমমমদা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খুথাংদা লুপা ২,৪২০ পীবা হৌখ্রে






**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪দা ৱাশক লৌদুনা লীংলক্লিবা অনৌবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা অহানবা ওইনা ঙসি কুকি-জো অমসুং মীতৈগী আই দি পিশিংগী ৱাকৎ অমুক্তদা তাখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মীতৈ অমদি কুকি-জোগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগা ৱারী শানদুনা মখোয়না মায়োক্নরক্লিবা খুদোংচাদবশিং খঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্নবা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা থাজনবা ৱাৎপা অসি কোকহন্নবা লৈঙাক্না কন্না হোৎনরি হায়না ফুরুপ অনীমক্কী আই দি পিশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লাঙ্গোলগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ১৭, য়ুনিয়ন টেরিটরি ৫গী এস আই আর এপ্রিলদগী হৌনবা ঈ সী আইনা খঙহনখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস) :** মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেট খরদা ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী মায়কৈদগী ইলেক্টরশিংনা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোকখ্রবা মতুংদা হায়রিবা থবক অসি পাঙথোক্লিবা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৫দা লাক্লিবা এপ্রিল থাদগী এস আই আর পাঙথোক্লবগীদমক ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী চীফ ইলেক্সন ওফিসরশিংদা ঈ সী আইগী মায়কৈদগী অইবা চেরোলশিং পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ঈ সী আইগী পাউতাক মতুংইন্না লাক্লিবা এপ্রিল থাদগী হৌরদুনা এস আই আর পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌননবা খঙহনখিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মনুংদা মণিপুর, অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ, চান্দিগড়, দদ্রা এন্দ নগর হবেলি এন্দ দামন এন্দ দ্যু, হরয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জন্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখণ্ড, কর্ণাটকা, লদাখ, মহারাষ্ট্র, মেঘালয়, মিজোরাম, নাগালেন্দ, দেল্লী, ওড়িষা, পঞ্জাব, সিক্কিম, ত্রিপুরা, টেলঙ্গনা অমসুং উত্তরখণ্ড য়াওরি।

ঈ সী আইগী চেরোল অদুদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূন্না ২২গী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংদা এস আই আর পাঙথোক্লবগীদমক মথৌ তাবা থৌরাংশিং মপূং ফানা য়ারিবমখে অথুবা মতমদা লৌখৎনবা খঙহনখিবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কৈরক অৱাং লৌকোন চীঙ্গোল এরিয়াদগী খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ককচীং পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা কৈরক অৱাং লৌকোন চীঙ্গোল এরিয়াদগী খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌরে হায়রি।

খূৎশু-খূৎলায়শিং অদুদি মেগজিনগা কোন্নবা কর্বাইন অমা, লোকল মেদ লেথোদ গন ২, লোকল মেদ সিঙ্গল বেরেল ২, টিয়র স্মোক সেল ৭, ট্যুব লঞ্চিং দিভাইস ৩, দিটোনেটর অনীগা কোন্নবা হেন্দ গ্রেনেদ ২, নোংমৈ মরূ ১০, এম্পটি কেস ১০০, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## চীফ মিনিষ্টরনা 'নাপৎ থোং' শাবা হৌরগনি লাউথোকখ্রবসু করি-করিনো ৱাৎলি হায়বদগী হৌখিদ্রে



মে ৩,২০২৩দগী লান হৌরকপদগী 'নাপৎ থোং'গী ওইখিবা ফীভম (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস) :** কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পিগী এম এল এ, এস প্রেমচন্দ্রনা মহাক্কী ময়ূমদা ঙরাং চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দবু তরাম্না ওকপগী পাঙথোকখিবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা 'নাপৎ থোং' অসি হয়েংদগী শাবা হৌরগনি হায়না থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা লাউথোকখ্রবসু করি-করিনো ৱাৎলি হায়নরকপদগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়দোকখিবগী মতুংইন্না থোং শাবগী থবক পায়খৎখিদ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙরাং লাউথোকখিবগী মতুংইন্না থোং অসি ঙসিদগী হৌনা শাবা/শেমজিন-শাজিনবা হৌরব্রা হায়দুনা থোং অসিগী লিখুন লীরুবদা ফংলকপা রিপোর্টশিংনা হায়, লৈঙাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ককচীংদা কোংগ্রেসকী সঙ্গথন স্রিজান অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

## কোংগ্রেসকা মীয়ামগগী মরক্তা অফবা মরী থম্লগনি




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস) :** এ আই সী সীনা কোংগ্রেস পার্টিগী মনুংদা লৈরিবা থৌপুবশিং অমগা অমগা ৱাখল মান্ননা খূৎশম্ননা পার্টিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকহন্নবা অমসুং মীয়ামগা পার্টি অসিগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা হৌদোক্লুনা লৈবাক অসিগী মফম খরদসু থবক ওইনা পাঙথোকপা হৌখ্রবা 'সঙ্গথন স্রিজান অভিয়ান' গী মনুং চনবা থবকশিং ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### য়ু জি ৩ ফারে, নোংমৈ অমসুং গাড়ী ফংলে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা য়ু পি পি কেগী খোইস্নাম মোরেন্দ্রজিৎ এলিয়জ কুমার (৪২) কৌবা লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈকায়দগী কাদর অমা নম্বোল পি এসনা কোনবা মালোম টুলিহল মখা লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোইরাং কম্পু ময়ায় লৈকায়দগী নিংথৌজম কেনেদি এলিয়জ গুলি এলিয়জ অঙৌস্না (৪১) কৌবা প্রিপাক-প্রোগী কাদর অমসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫